# খোইজুমানদা ভেজিটেবল মার্কেট সেদ শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা দিপার্টমেন্ট অমদি মীয়ামগা পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা থবক তৌরবা মতমদতা মাংজিল থাবা ঙমগনি হায়না মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেন এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ওইনাম কেন্দ্রগী মনুং চনবা খোইজুমান কৈথেলদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা নৌনা রুরেল ভেজিটেবল প্রাইমরি মার্কেট সেদ শানবগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক অসিগী অখন্নবা পান্দমদি সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি হিরম খুদিংমক মীয়ামদা হকথেংননা ফঙহনবা তারবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি। মফম অসিদা শাগদৌরিবা মার্কেট সেদ অসিদা মফম অসিদা পুথোক্লিবা মনা-মশিং অমদি মহৈ মরোং খুদিংমক লিদুনা থম্বা য়ানবা কোল্ড ষ্টোরেজ অমসু শানবা হোৎনরগনি। লোয়ননা ঙসিদগী শাবা হৌগদৌরিবা মার্কেট সেদ অসি থা ৬কী মনুংদা শাবা লোইশিন্নবা সরকারনা পীরক্লিবা মতম অসিদগী তেনশিন্দুনা থা ৩গী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। হায়রিবা মার্কেট সেদ অসি অহানবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১৩ দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনন পুথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী দাইরেক্টর কে কিপগেন, দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন ওফিসার এস অনিল কুমার অমদি অতৈ মরী লৈনবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

# হিয়াংলমদা নিষাগী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম ৱাখোঙদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকাহোল (কাদা) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কমিতি, এ এস এ ক্লব হিয়াংলম অমসুং হিয়াংলম ৱাখোঙ মৈরা পায়বী লুপনা পুন্না খূৎশম্নদুনা 'নিষানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং' হায়বা হিরমদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদানা ফোঙদোরক্লি।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা হিয়াংলম ৱাখোঙ মৈরা পায়বী লুপকী সেনিয়র মেম্বর এলাংবম ওংবী লোইদাং অমসুং নিংথৌজম ওংবী থোইবী অমদি কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল দিপঞ্জিৎ নিংথৌজমনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। লোয়ননা কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী ময়েংবম বুধি, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী জেনরেল সেক্রেটরী কোইজম ওংবী রানিবালা অমদি ই এ দি ক্লবকী সেক্রেটরী এলাংবম ওংবী বিনানা পুন্না রিছোর্স পার্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাংখি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা অকোইজম ওংবী রানিবালানা ফোঙদোকখিবদা হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকাই অসি ৱাবগাই হিয়াংলমগী ওইনা খ্বাইদগী ইং-চিকপা মফম অমা ওইরিবনি। মরমদি মফম অসিদা মৈরা পায়বীশিংনা কন্না হোৎনদুনা খৎন-চৈনবা অমত্তা লৈতে। নুমিদাংগী মতমদা মচি মরুমদা, লম্ফাংদা, কেনেলদা নহা কয়া নিষা চারম্বা, ঙাওশিন্নরম্বা অদু ঙসিদি উবা ফঙদ্রে। মরম অসিনা মফম অতৈদসু নিষা থিংবগী ইহৌ শাগৎতুনা নিষা থিংমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

এলাংবম ওংবী থম্বালঙৌবীনা হায়, নিষা থিংনবা হোৎনবদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনৈ। অদুবু মদু পুম্নমক তুংওইনরগা নিষা থিংদবা য়াদে অমসুং ইচা ইশুশিং কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোলদা নিষা থিংবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নুপা নহাশিংনা মৈরা পায়বীশিংদা করেম কথাইনবনচিংবা তৌবা তোক্কদবনি। নিষাদা লায়চুবদগী মখা তাবা অঙাংশিংদা লমদম্নরকপদগী হৌজিক ওইরিবা নিষা চাবগী অরুবা ফিভম অসি ওইরক্লিবনি। মমল য়াম্লবা তুংগী যুম্বীরেন ওইরক্কদৌরিবা নহাশিং পুন্সি কন্নবা নিষা থিংলিবনি হায়খি।

এলাংবম ওংবী বিনা হায়, মতম অমদা হিয়াংলম কদাইদা লৈ হায়না হঙনরম্মী অদুবু ঙসিদি অফবা শান্নরোই অমসুং মহৈরোই কয়া থোক্লকপদগী খঙনরে। অদুবু মমা ওইবী কয়ানা নুঙনাংলিবদি অফবা শান্নরোই, মহৈরোই ইচা ইশুশিং অমুক হন্না নিষা শীজিন্নরক্কদ্রা হায়বসিনি। শুবা নোম্বগী ৱাখলদগী মখোয়বু নিষা চারক্তনবা অফবা অচুম্বা লম্বীদা পুরক্তুনা মখোয়বু নিষা চাহন্দবা হোৎনবা অসিনা হেন্না মরু ওইরক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

দিপঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়খিবদা মমা মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু অফবা মী অমমম ওইহন্নিংই। মচাশিংবু মরম মোকপা, হায়বা ইনবা, নিষা চাদবা ওইহন্নিংবগুম মচাশিংনসু মমা মপা ওইবশিংবু অফবা মমা মপা ওইহন্নিংই। মরম অদুনা মমা মপা অমসুং মচা ওইবশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা নৈনবা য়াম্না মথৌ তাই। মমা মপাশিংনা নিষা চাবদগী মচাশিংনা অমুক নিষা চারক্লিব্রা হায়বসিসু নৈনবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর ষ্টেট দ্রক পোলিসি অথুবদা শেমগদবনি, টোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম মপুং ফানা পাঙথোক্কদবনি হায়খি। ষ্টেট নোদেল ওফিসার ফাওবা কনানা ওইরি হায়বদু মীয়াম্না খঙলম্লোই, লৈঙাক্কী পোলিসি, প্রোগ্রাম অমদি ইনফোর্মেন্টশিং ঙাইদ্রিঙৈদা মীয়ামদি শন্দ্রেম্বী ইমাদি ঙকশম য়ৌরে হায়বা ফিভম অদু হেনখিদৌরে হায়খি।

লমায় ১ গী মখা

# আই এল পি বিল কন্সলটেটিভ কম্মিতিগী অরোইবা মীফম অথুবদা কৌরগনি...

গো টু ভিলেজদা কনাগুম্বনা য়েন লোইনিংবা, ঙা য়োক্লিংবদা য়েন মচা, ঙা মচা পীবা য়াওনা হৌজিক হৌজিক্কী পায়খৎনিংবা থবক অদু পীরম্বা নত্রগা অহেনবা শেনফম বজেটতা হাপকদবা অদুগীদমক খন্নবগী মতম লৌবনি।অদুবু স্পিসিয়েল দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা হৌজিক হৌজিক দরকার লৈবা থবক অদু বজেট ঙাইদনা তৌনবা ফন্দিং লৈ। মদুদগী মতম মতমগী ওইনা শিজিন্নগদৌরিবনি হায়খি।

জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সনগী শেনফম অসি হেনগৎহন্নবা দি আই পি আরগী ওফিসিয়েলশিংগা তান্নরগনি। লোয়ননা মজেঠিয়া ৱেজ বোর্দকী মতাং অসি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগে হায়খি।

# মণিপুর মীয়ামগী খনবা সেক্যুলার দেমোক্রেটিক...

মীয়াম তিনবা মীফম অদুদা এন মঙ্গিনা হায়, মহাক্না বি জে পিদগী তোক্লে হায়দুনা কৈদৌনুংদা পার্টি অসিবু হুন্নিংদে, হুনফমসু থোক্তে। অদুবু লৈবাক ঙাকপগী থবক্তদি অহোংবা খরদি শোয়দনা পুরকহন্নিংই।

মহাক্না হায়, বি জে পি গভর্ণমেন্টকী অশোয়বা কয়া অদু পার্টি মনুংদা য়াওরবদি লাওবা য়ারোইদবনা মপান্দগী থোরক্লগা লাওবা ঙম্নবা বি জে পিদগী তোকপনি।

কুম্বী কেন্দ্রদা চাউখৎ থৌরাংদা ওন্থোক ওন্থোকপা থৌদোক কয়া থোকপা থেংনরে। ফক্লাং য়াওদবা স্কুল শাবা, মহৈরোই চঙবা য়াদবা ই সি এসকী স্কুল শাবা, তেঙ্কি য়াওদনা তোইলেট শাবা কয়া কুম্বী কেন্দ্রদা উবা ফংলি।

হৌজিক লৈরিবা এম এল এ অসি কংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। ফ্লদ রিলিফকী শেনফম অদু দি বি টি তৌসি হায়রুবদা মীওই অদু পুলিসনা ফাজিল্লগা থল্লি। কেন্দ্র অসিদা মফম কয়াদা মতম অমদা শারম্বা ৱাটর সপ্লাই স্কিম মীয়ামদা ঈশিং পীথকপা ঙমদ্রে লোয়ননা আর এল আই স্কিমশিং অদুসু লোইনা চপ লেপ্তুনা লৈখ্রে।

বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা শেঞ্জা থুমজা মরু ফংনা মুথৎকনি হায়রিবা অসিনা অশেংবা ওইরবদি ইং ২০১৩ অমসুং ২০১৬ তা লৌখিবা পুলিস কন্সটেবলশিং অদু এন্তি করপসন সেনগী মীহুৎশিং য়াওবা কম্মিতি অমা শেম্লগা অমুক হন্না য়েংশিনবীয়ু লোয়ননা লৌশিনখিবা শেনফমশিং অদু হন্দাকহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না হায়, হৌজিক এম য়ুদা একাদমিসিয়ানসু নত্তবা ওজাসু নত্তবা মীওই অমা ভি সি হাপচিল্লুবগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোইদবা ৱাফমনি। এম য়ুনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপ্লক্লিবা ভাইস চাঞ্চেলর অসিনা এম য়ুদা নুমিৎ ২০ ফানা থা অমদা এম য়ুদা লৈতে।

হৌজিক এন এস সি এন আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা চত্থরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগা মরী লৈননা নাগা তেরিটোরিয়েল কাউন্সিল শেম্বগী ৱাফম অমা লাক্লিবা অসি ষ্টেট অমগী মনুংদা ষ্টেট অমা শেম্বগী অহানবা খোঙথাং ওইগদৌরিবনি।

কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা প্রধান, জেদ পি মেম্বরশিংগী মনুংদা লৈহৌরগে হায়বসু অকায়বা লৈতে। হৌজিক্কী গভর্ণমেন্টনা কুম্বী কেন্দ্রগী থা ৬কী ফংফম থোকপা চেঙ অদু ফংহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা সেক্যুলারিজমগী মপাঙ্গল শোন্থরকপগুম তৌরিবা অসিদা সেক্যুলারিজম হেন্না মপাঙ্গল কলহন্দবা য়ারক্ত্রে। চীং তমগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্লবা হোৎনদবা য়ারোই হায়খি।

বি জে পিদগী তোক্লে হায়দুনা হেক্তমক তহা তহানা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওবা য়াবা নত্তে। চীং তমগী মরি চেৎশিনহনবা, জাতি ফরুপ মশেলবু ইকাই খুম্নবা, প্রজাশিংগী অৱাববু থিদোকপা ঙম্বা পার্টি খনবা দরকার লৈ। অথুবা মতমদা কেন্দ্র অসিগী ওইবা ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিনা লেপ্লকপা মতুংইন্না মহাক্না পার্টি অমদা য়াওগনি।

মহাক্না কন্সত্রক্তিভ ক্রিটিসিজম পীগনি, অফবা থবক তৌরকপদা থাগৎলি অমসুং ফত্তবা তৌরবসু মদু ক্রিতিসাইজ তৌবা তাবনি হায়খি।

# এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেল গ্লোবেল ব্রেভ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সজিক্যুসন ভিক্তিম ফেমিলিজ এসোসিয়েসন মণিপুর (ইফম), এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেল অমদি হ্যুমেন রাইটস এলার্টনা পুন্না খূৎশম্নদুনা এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেল গ্লোবেল ব্রেভ কেম্পেইন ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা পুথিবা কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

কেম্পোইন অসি চয়োল অমা চুপ্পা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবা মতুং লাক্লিবা জুন ১৭তা ইম্ফালগী জি এম হোলদা অরোইবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা এমনেষ্টিস ইন্টর্নেসনেলগী প্রোগ্রাম মেনেজর অর্জিৎ সেন, নিকিতা বেনর্জি, হ্যুমেন রাইটকী বব্লু লোইতোংবম, ইফমগী জেনরেল সেক্রেটরী ইদিনা য়াইখোম, অমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপকী মেম্বর সি ঐচ মেম্মনচিংবনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেলগী প্রোগ্রাম মেনেজর অর্জিৎ সেননা হায়, এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেল অসি মালেমদা থোক্লিবা ৱাথোক-লাম্থোক পুম্নমক ঙাকথোক্নবগীদমক শেম্বা লূপ অমনি। মরু ওইনা নুপীশিংগী ফঙফম থোকপা হকশিং ফঙহন্নবগীদমক মালেমগী থাক্তা য়েংশিন্দুনা অচুম্বা ৱায়েলশিং ফঙহনবদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। লমদম অসিগীসু সুপ্রিম কোর্টতা হৌজিক চত্থরিবা ফেক ইন কাউন্টরগী কেসশিংবু হেন্না মরিক চুম্বা ৱায়েল ফংহনবতা নত্তনা মতেং পাঙদুনা লাক্লি হায়খি।

বব্লু লোইতোংবমনা হায়, মীওইবা অমনা অৱা-অনা কয়া থেংনরবসু হ্যুমেন রাইটকীদমক থৌনা ফনা লেপ্লকখিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎনবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিগী মপুরোইবা কয়াইনখ্রবী কয়ানা মীয়াম মাঙদা অচুম্বা ৱায়েলগীদমক থৌনা ফানা চোংথোরকখিববু থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

# বি জে পি ককচিং মন্দলগী বিসেস সম্পরক অভিয়ান লোইশিনখ্রে

ককচিং, জুন ১১ঃ
বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী সরকারনা চহী ৪ অদুগা ষ্টেট সরকারনা চহী ১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা বি জে পি ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা হৌখিবা মে ২৬তগী চত্থরকখিবা বিসেস সম্পরক অভিয়ান ঙসি লোইশিনখ্রে।

বি জে পি সরকারনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিং পাক শন্না খঙহনবা অমদি মীয়ামদা কান্নগদবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবা পান্দমদা চত্থখিবা থৌরম অদু ঙসি ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রগী ককচিং তুরেল ৱাংমদা লৈবা য়ুমদা লোইশিনখিবনি।

থৌরম অদুদা ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম চাওবা সিংহনা থৌরম মপু, ভাইস প্রসিদেন্ট সনসন ইন্দুরেখা দেবী, জেনরেল সেক্রেটরীশিং নাওরে শামু অমদি য়েংখোম সনায়াইমা সিংহ অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিল্লর থাংজম কাননবালা দেবীনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট সরকারনা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়াগী কান্নবা ফঙহনখিবশিং মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা মীওই কয়াদা সেৱিং মেছিন অমসুং ইনব্রোইদরি মেছিনসু য়েন্থোকখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# অইং অশাগী খলদা অহোংবা লাক্লিবা ফিভম অসি গভর্ণমেন্টনা...

অসাম রাইফলসকী মতেংগা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী খুঞ্জাশিংদা লেমন গ্রাস অমসুং এভোকাদো থাহন্দুনা পোপি পাম্বী থারম্বা অদুগী মহুৎ শিলহন্নবা থবক পায়খৎলে।

ষ্টেট অসিদা লেপ্তুনা উমং কোকথোকপগী থবক চত্থরকপা অসিনা মরম ওইরগা উমংগী লম লেপ্তুনা হন্থরক্লিবা অসি থিংনবা অমসুং অকোয়বগী ফিভম কন্নবগীদমক উ থাবগী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা দরকার লৈ।

মতম অমদা উমং মরাং কায়না লৈরম্বা উখ্রুলগী শিরুই চীংদা ইফুৎ মশীং খঙদনা লৈরম্বা অদু ঙসিদি ঈশিংগী সোর্ছ মরাং কায়রক্ত্রে। মীয়ামনা নিংঙাইদনা উ ককথৎপা লেপত্রবদি অসিগুম্বা পামদবা ফিভম অসি উরক্কনি হায়খি।

চীংগী লমদদা নত্তনা তম্পাক্কী লমদসু অসিগুম্বা ফিভম অসিনা থোকপা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লবা হৌখ্রে। মমাঙগী চহিদা ঈশিং ঈচাউ মঙারক মায়োক্লখিবনি। মীয়াম্না চীংদা পামলৌ উবগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি থাদোকপা মতম ওইরে। মসিগুম্বা চৎনবী অসি য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনবী অমা ওইরবসু মসিনা অকোয়বগী ফিভমদা চাউনা শাফু পীরি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদগী কন্নবগীদমক মীওইবগী ৱাখল্লোন অসি হোংদোকপা মথৌ তারে। উমংগী লম লেপ্তনা মাঙশিনলক্লিবা অসি য়েংলগা চীংগী লমদা মপুং ফাবা লেন্দয়ুজ পোলিসি অমা চৎনহনবগী তঙাইফদবা ফিভম অদু লাক্লে।

অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামদা অনৌবা মীৎ মায় ওইবা য়াবা কয়া পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি। অসিগুম্বা ৱার্কশোপশিং অসি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোক্তুনা মীয়াম ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদ ৪০ দি ৱাটর সপ্লাইগী, এগ্রিকলচরগী, হায়দ্রোইলেক্ত্রিসিতিগী বাইওদাইভর্সিতিগীদমক চীংগী রিসোর্ছশিং অসিদা নকোইননা তাংদুনা লৈরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টরনা থৌরম অদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকীদমক ৱাটর সপ্লাই প্লান্ট শাগৎনবা লুপা ক্রোর ৪৫ সেঙ্কসন তৌরে হায়না লাওথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টীক দাইরেক্টর ডা. ৱাই নবচন্দ্র, ইন্টিগ্রেটেদ মাউন্টেন ইনিসিয়েটিভকী প্রসিদেন্ট সুসিল রামোলা অমসুং সসটেনেবল দিভলপমেন্ট ফোরম নাগালেন্দগী এক্সিক্যুতিভ দাইরেক্টর অম্বা জামিরসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ঙসিদগী হৌরিবা ৱার্কশোপ অসি হয়েং লোইশিনগনি।

# তেব্লেটকা কোন্নরা মীওই ১ ফারে

গুলিগা কোন্নরা ফারবা মীওই অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা গোলাপতি মনিং লৈকায়দগী এম দি ফিরোজ খান (৩৮) অপোকপা এম দি হবিবুর রক্ষাননি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ৪.০০ রোম তাবা মতমদগা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেল অমদি নাবকী অপুনবা টিম অমা গোলাপটি কে আর লেন্দ এরিয়াদা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা হায়রিবা মীওই অসি চিংননিঙাই ওইবা মওংদা মখোঙনা লাকপদগী চেক তৌবদা গুলি য়াওরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। মীওই অসিদগী ফাগৎলবা দ্রগ ওইনা শিজিন্নবা গুলিশিং অদুদি খোক্তোক্লবা এস পি (স্পাস্মো প্রোক্সিবোন) কেপসুল ৮৫ অমদি দব্লিউ ৱাই (ৱার্ল্ড ইজ য়োর) তেব্লেট ১২৫নি। গুলিশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা চাওরক্না লুপা লিশিং ৩০ রোমগী ওগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ভেল্লি একাদেমীগী গেৎতা...

ইম্ফাল ৱেষ্ট লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা পাউ পিরবা মতুং মণিপুর পুলিসকী বোম্ব দিস্পোজেল স্কৱাট টিম অমনা পোলিথিন খাউ অদু হাংদোক্তুনা য়েংবদা কাপ্পা য়ারিবা লেথোৎ বোম্ব ১ য়াওরম্বা থেংনবদগী অয়ুক পুং ১০.১৫ রোম চৎপদা অসোই অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

# মোরেদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর টাউন মোরেদা মীয়ামগী নুমিৎ লোয়ননা পুলিস কম্যুনিতি লাইয়েসন গ্রুপ মিতিং মোরে পুলিসনা শীন্দুনা ঙসি পুলিস আই বিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার টেংনৌপল তোম্বী কান্ত, এস পি টেংনৌপল ডা. এস ইবোমচা, দি এস পি মোরে (কম্মান্দো) টি ঐচ থোমাস অমদি ও সি লেটখোহাও ভাইফে, ও সি (কম্মান্দো) শক্তিসেন, মোরে ফাইয়র সার্ভিসকী ও সি সরতচন্দ্র অমসুং অতৈ পুলিস ওফিসারশিং, মোরেদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা লুপশিং লুচিংবশিং, ইমাশিং, কুকি চীফ এসোসিয়েসন টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, জেহোভা জিরেদ চিল্ড্রেন হোমগী অঙাংশিংসু শরুক য়াখি।

কম্যুনিতি লিদরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লখিবদা টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরগা দি টি ও ওফিস লৈতবনা দ্রাইভিং লাইসেন্স লৌবদা অৱাবা অমা মায়োক্লরি। মোরেদা সরকারগী লৈরিবা খুদোংচাবশিং ফঙহনবিয়ু। গেট নম্বর ২ অসি নোং খরা চুবগা লম্বীদা ঈশিং চাওবনা চথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদ্রে হায়না ফোঙদোক্লখি।

মখা তানা ফোঙদোক্লখিবদা হান্না ম্যান্মারগী টমু চঙবা মতমদা গারী অচৌবা পুদুনা চৎলম্বদু হৌজিক অমুক য়াখিদ্রে। মসিদা মরী লৈনবা দি সিশিংনা ৱারী শান্নবীনবা হায়খি। গেট নম্বর ২দা শাবা লোইদুনা শঙ্গাখ্রবা সরকারগী সোপ্পিং মোল ঙসি ফাওবা ফঙ্কসন তৌদনা লৈরিবা অসি মীৎয়েং চঙবীয়ু। মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম খুদিংদা মোরে হোস্পিটাল অসি ডাক্তর লৈতবগী ৱাকৎ কয়া পুখৎলবসু কন্নবা ইফঙ ফঙদে হায়খি। লোয়ননা হন্দক থোকখিবা এক্সিদেন্টগী থৌদোক অমদা এস পি টেংনৌপল এস ইবোমচানা ফিট ১৫০ লুবা লোক্খাদা কুমদুনা মীওই অনী কনখিববু লুপশিংগী লুচিংবশিংনা থাগৎপসু ফোঙদোক্লখি।

দি সি তোম্বীকান্তনা হায়, ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা চাওখৎনবা হোৎনসি। ঐখোয় অমত্তনি খল্লগা অমত্তা ওইনা পুনসি হায়খি।

মহাক্ন মখা তারদুনা হায়, মোরেদা লৈবা জেহোভা জেরেদ চিল্ড্রেন হোমদা লুপা লিশিং ৫০গী মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

# এম য়ুগী ভি সি খুদক্তা শীন্দোক্লবা দাবি তৌদুনা ঐচ আর দি মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর প্রো. অদিয়া প্রসাদ পান্দে খুদক্তা শীন্দোক্লবা দাবি তৌদুনা অমদি মহাক্না তৌখিবা অরানবা কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টর্নেসনেল সোলিদরিটি (এন ই এফ আই এস)না ঙসি য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

এন ই এফ আই এস কনভেন্নিং কমিতিগী মেম্বর চীংলেম খুমুকচম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা ভি সি অদিয়া প্রসাদ পান্দেনা এম য়ুগী একাদেমিক এদমোসফিয়ারদা পীরিবা শাফুগী মতাংদসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু খুদক্তা শীন্দোক্লবা দাবি তৌখিবনি।

এম য়ু ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ২ মহৈরোই গ্রুপ এ বি ভি পিদা আইন কাইনা দোনেট তৌই, তৌফম থোকপা প্রোসিদ্যুর তৌদনা অমসুং কনষ্ট্রেক্টরশিংদা থবক পীথোকই। একজামিনেসন পেপর ফাওবা পীরিবা মমলদগী হেনগৎন্না লৌনবা কন্ট্রেক্ট পী, রুলসকী মতুং ইন্না একজিক্যুটিব কাউন্সিল অমসুং ফাইনান্স কাউন্সিলগী মিতিং চত্থদে, বোর্দ মিতিং থৌশাদনা এম য়ু এক্ট ২০০৫ শিংনদুনা থবক তৌই, য়ুনিভর্সিটি মরু ওইবা ফমশিং রেজিষ্টার, ইকজামিনেসন কন্ট্রোল্লর, লাইব্রেরিয়ান অমসুং ম্যুজিয়ম ক্রিয়েটর হাপ্তুনা থল্লি হায়বনচিংবা মরাল কয়াসু শীরি। অসিদসু নত্তনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী অসাম রাইফলস কেম্প লৌথোক্লবা মহৈরোইশিংনা মমাঙদগী দিমান্দ তৌরকখিবা অদু থৌশা ৱাসাদনা মহাক্না ৱাই কেটেগোরি সিক্যুরিটি শীজিন্নৈ। হল্লকপগী মতম তাক্তনা অমদি পাউ পীদনা তোইনা ছুটি লৌই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাক্কী চথোক চৎশিনদা লুপা ক্রোর ৮ রোম খরচ তৌখ্রে। করিগুম্বা কান্দা মহৈরোইশিংনা ভি সি উন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী সিক্যুরিটি গার্দশিংনা মরম চাদনা ফিজিকেল অমসুং সাইকোলোজিকেল হরাসমেন্ট পী হায়বগী ৱাফম কয়াসু থল্লদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি হৌজিক্তি ক্রাইসিস কয়ানা পীক থল্লে। অদুনা মহাকপু অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি হায়বা অকনবা ৱাফম থমখি হায়রি।

# ক্লিনিকেল ষ্টাবলিষ্টমেন্ট এক্ট এন্দ মেদিকেল রিলিজ ফ্রোম জুদিসিয়েল কষ্টদিগী মতাংদা ৱাক্সোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিসেস অমসুং ষ্টেট হেল্থ সোসাইটিনা পুন্না খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্সিটিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট (আই এম সি)গী হোলদা ষ্টাবলিষ্টমেন্ট এক্ট এন্দ মেদিকেল রিলিজ ফ্রোম জুদিসিয়েল কষ্টদি হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ৱাক্সোপ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল এদভোকেট জেনরেল ওইনাম মোমোতা দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর ডা. কে রাজো সিংহনা অখন্নবা মীথুংলেন, ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর এন বন্দনা দেবী (আই এ এস)না থৌরম মপু অমসুং ঐচ দি এসকী এদিস্নেল দাইরেক্টর (পি ঐচ) ডা. কে ঐচ শশ্রীকুমার মঙাংনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি। লোয়ননা লমদম অসিগী হোস্পিটালশিংগী সুপরিন্টেন্দেন্ট, এম ও ইনচার্জ, সি এম ও অমদি অতৈ অতোপ্পা মরী লৈনবশিং ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

এন বন্দনা দেবী (আই এ এস)না হায়, ক্লিনিক ষ্টাবলিষ্টমেন্ট এক্ট ২০১০ অসি লমদম অসিদা ঙসি ফাওবা চৎনদনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম, হিমাচল প্রদেশ, সিক্কিম, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎনবা হৌখ্রে। এক্ট অসি মফম অসিদা চৎনরকপা মতমদা মশীং থিঙমদবা কেসশিং লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ডা. কে রাজোনা হায়, এক্ট অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মেদিকেল ইষ্টবলিষ্টমেন্টশিং রেজিষ্টর তৌহল্লিবনি। মসিগী পান্দমদি লায়েং পথাপ চত্থবদা, ট্রিটমেন্ট তৌবা অমদি অতৈ অতোপ্পা মেদিকেলগা মরী লৈনবা পুম্নমক হেন্না ফবা থবকশিং তৌবা ঙমগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, জেলদা লৈরিবা বন্দিশিংবু নারক য়েক্লকপদা য়েংশিনবগা লোয়ননা হেল্থ সেক্টরগী মরী লৈনবশিংদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা খুদোংচাবশিং ফঙনবা মথৌ তাই হায়খি।

# ৱাংজিংদা নিষাগী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১১ঃ
কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকাহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা নিষা মরু ফঙনা মুখৎনবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা তাং ১০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা কাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শীন্দুনা ৱাংজিং সোরোকখাইবম লৈকাই অমসুং ৱাংজিং ৱাংখৈগী অকোইবদা মশীং য়াম্লবা ইমা-ইবেল, অহল-লমন অমসুং নহারোল কয়ানা শরুক য়াদুনা ময়াই কাবা নিষাগী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা মৈরা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

চৎখিবা মৈরা খোঙচৎ অদু ৱাংজিং কৈথেলদগী হৌরগা অমসুং ৱাংজিংগী তোঙান-তোঙানবা লৈকাইশিং ফাওদুনা চৎলুরবা মতুং ৱাংজিং কৈথেলদা অমুক হল্লক্লগা লোইশিনখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না 'ঐখোয়গী তুংগী মীরোল কলহৌসি, দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু, মণিপুর ষ্টেট দ্রগ পোলিসি শেম্মু, লিকর প্রোহিবিসন এক্ট মপুং ফানা চৎনহল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লমদম অসিদা পানখিবা মতম মতমগী লৈঙাক্না দ্রগকী অখন্নবা পোলিসি শেম্বীরমদবা, হান্দগী লৈজরিবা এক্ট কয়া মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবিরমদে। মসিনা তুংগী য়ুম্বীনি হায়নরিবা নহা কয়া তোঙান-তোঙানবা নিষাশিংদা পাক শন্না লাইচুরকপনি হায়বা লল্লোই। ফিভম অসি অসুম মখা চত্থদুনা লৈরবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি নোংমা নোংমগী লৈখা তারক্লগনি। অকিবগী মতম ওইরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক অসিনা নিষাগী ইপাক্তগী তুংগী মীরোল কঞ্জনবা ফিরেপ লৌদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি।